**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-04-2026)**

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হৌজিক চথরিবা টোটেল সটদাউন্দ অসিনা মহৈরোইশিং অমদি লৌমী য়াওনা মীওই কয়াদা চাউনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অসিগী য়েংলগা সটদাউন্দ অসি হন্দোকপীনবা আপিল তৌরি।

ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটদা ঙসি পাঙথোকখিবগী পাউগী মীফম অমদা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-ত্রোংলাউবীগী থৌদোক্কা মরী লৈননা সরকারনা থিজিন হুমজিনবগী থবক য়ামা কন্না চথরি। সরকারনা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিগী য়েংবীরগা মীয়ামা হৌজিক চংশিল্লিবা খোঙজং অসি হন্দোকপীয়ু।

উখ্রুল জিলাগী টি.এম. কসোমদা খুৎলায় পায়বশিংনা এম্বুসস তৌরকপদা মীওই অনি লৈখিদবা অমদি মীওই খরনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়- থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা সরকারনা ক্ষেতিপুরোন মতিক চানা পীগনি অমসুং অশোক অপন নংলবশিংগী অনা লায়েংদগী সরকারনা মতেং পাংগনি।

মহাকা হায়-রাজ্য খরদা মীখলগী থবক থৌরমশিংদা শিজিন্নবগীদমক লৌথোকখিবা সেক্যুরিতি কম্পানি ৮৮ মীখল হেক লোইবগা রাজ্য অসিদা অমুক হল্লক্তুনা হান্নগুম মথৌ তৌগনি। মসিগা লোয়ননা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসনদা হৈ শিংলবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমা রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা য়ৌরক্লগনি। শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা নীংথিনা থিজিন হুমজিনবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী মীহুৎ কাংবু অমসু মনিপুরদা অথুবা মতমদা লাক্লগনি হায়না মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**সটদাউন্দ(এল)ঃ** ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মনিপুরদা হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী কৌখিবা তোতেল সটদাউননা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

মীয়ামনা অয়ুক্তগী লম্বীদা থোরক্তুনা লম্বী ময়াইদা উ-ৰা ফৈজিন্দুনা অমদি টয়ার মৈ থাদুনা অচৎ অওকশিং থিংখি। মফম কয়াদা ৰাকৎ মীফম কয়া ফমখি। সটদাউন্দ অসিনা কৈথেলশিং হাংনখিদে। লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং হন্থখি। কা হেন্না পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ হৌজিক ফাওবদি ওইনা লৈত্রি।

**কন্দেম(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী টি.এম. কসোমদা ঙরাং চত্থরিবা এন্থ্যুস মীওই অনি লৈখিদবা থৌদোক অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরকি।

থৌদোক অসিবু রাজ্যগী উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং লেমা থারোই অমদি মখোয়বু আইনগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাকশিং পীগনি। অসিগুম্বা পামদবা হিংশাগী থৌদোকশিং অসি থেংননবা হোৎনবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিলহন্নবগীদমক্তা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মন্ত্রিনা মখা তাখি।

ভারত্তিয়া জনতা পার্টি মনিপুর প্রদেসনা থৌদোক অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীননবা দাবী তৌরি।

নাগা পিপলস ফ্রন্ট-মনিপুর ষ্টেট য়ুনিট, মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) না থৌদোক অসিবু য়ামা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি অমদি মসিদা চেন্নবশিং ফারগা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি।

থৌদোক অসিবু অমুকো, অমোভা, কোহোর, এম.এস.এফ অমসুং পোইরৈ লৈমরোল লুপ মঙা অসিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

যুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল, ফেদরেসন ওফ হাউমী অমসুং জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মনিপুর অমসুং নাগালেন্দ) নসু থৌদোং অদুবু পাংদবগী থৌওংনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না য়ুনিয়ন অসিনা ফোংদোরক্লি। মসিদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎপীনবসু হায়রি।

**বাবিনা(এল)ঃ** হোস্পিতালগী এম্ব্যুলেন্স অমদা অনাবা পুরগা চৎপগী লম্বীদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অয়েৎপ অপন পুরকপা থৌদোকপু বাবিনা হোস্পিতাল-খাবৈশোইনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

হোস্পিতাল অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-অসিগুম্বা থৌদোকশিং মতুংদা অমুক হন্না থোকহনবীদনবা মীয়ামনা মতেং পাংবীবগা লোয়ননা মখা তানা অনা লায়েংগী লমদা অয়েৎ অপন পীদনবা আপিল তৌরক্লি।

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাকনবা হোৎনরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা মীয়ামনা মতেং পাংবীনবা মনিপুর পুলিসনা আপিল তৌরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা জিলা অসিগী এস.পি. ক্ষেত্রিময়ুম সিবাকান্তানা হায়-হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নুমিদাংগী মতমদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈরাগী রেল্লিশিং পাঙথোক্লি। অদুবু, চংশিল্লিবা খোঙজং অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মীওই খরনা হিংশাগী থবক থৌরমশিং চত্থরকপা থেংনরে। মখোয়না পেত্রোল বোম্ব, নাউরি অমদি নুঙ লংশিন্দুনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা এট্টেক তৌরকপা থেংনরে। খোঙজং চংশিল্লিবশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা নিশা অমদি য়ু শিজিন্নবসু য়াওরি।

মহাকা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী মীয়ামনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি য়ারিবমখৈ মীয়ামদা অশোক অপন নংহন্দনবা মওংদা লাকশিন্নবা হোৎনরি।

খোঙজং চংশিল্লিবা মীয়ামনা য়ারিবমখৈ হিংশাগী থৌওংশিং তৌবীগনু। অসিগুম্বা থৌওংশিং চত্থরকপশিংগী মথক্তা চপ চাবা আইনগী থবক লৌখৎকনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

**রাধেশ্যাম(এল)ঃ** থোকচোম রাধেশ্যাম এম.এল.এনা হায়রি-কৎথোকপা, পুকচেল শেংবা, মীয়ামগী খনবা অমসুং ঐ হায়বগী মহুৎতা ঐখোয়গী হায়বা ৱাখল্লোনদা চংশিল্লবদি শেঞ্জা থুমজা অমসুং হিংশা হন্থরক্কনি।

ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীদা ঙসি পাঙথোকখিবা কংলৈ কনবা লুপ (কে.কে.এন.দি) গী ৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী রাধেশ্যামনা হায়-থকশি খাসি লৈবা হায়বসি লমদম অসিগী ফজরবা চৎনবী অমনি। হৌজিক্কী মতমদা লাই নিংবা অমসুং লাইরিক হৈবগী মশিং হেনগৎলবসু হুরান চিন্থি, মীহাৎ মীপুন অমসুং শেঞ্জা থুমজাগী চাংদি ৱাংখৎলক্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা থা অসিগী ৫ দা পাঙথোকখিবা অহানবা রাজ্য থাক্কী ওপন দিবেট কম্পিটিসনগী মনা-মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

**মেট (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলাশিংদা ঙসি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরগনি।

জিলাশিং অদুদি-ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি। চীংগী জিলাশিং- তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, ফেরজোল, তেংনৌপল, নোনে অমসুং কামজোংনি।

তমেংলোং, সেনাপতি, জিরিবাম, নোনে জিলাশিংদসু হয়েং অখাক অরাও য়াওনা নোং তাগনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নোনে জিলাদা নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুখি। মসিনা

মরম ওইরগা ইলেক্ট্রিক্ট লাইনশিং অমাং অতা থোকহনখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নোনে জিলাগী গাইদিংজাং ভিলেজকী জাদোনং পার্কতা লম তু শেংখ্রে।

লমদম অদুবু লু-নান্না থমবগী পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকপনি। মদুদা খুলগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা কৈথেলমানবীগী গেরিসনদা ৬৫ শুবা মনিপুর গালর্স এন.সি.সি. বটালিয়নগী কেদেদশিংগী ওইবা মেদিটেসন অমসুং মেপ রিদিংগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা নুপী অমসুং নুপামচা এন.সি.সি. কেদেদ ২৪ না শরুক য়াখি।

মীয়ামদা পাউ পীননবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা পল্লেন গেরিসনদা ‘রেদিও হায়ৰে’ হায়না মিংথোনবা কম্ম্যুনিতি রেদিও ষ্টেসন অমা পল্লেনদা হৌদোকখ্রে। ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা ষ্টেসন অসি লিংখৎপনি। মসিনা মীয়ামদা ই-পাউ হেন্না ফংহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নোংচুপ বঙ্গলাগী বানকুরা জিলাগী বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংখ্রে।

শ্রী মোদিনা ২০২৯ গী মীখলদা নুপীগী সিট খাক্তুনা থমবগী বিল পাস তৌহন্নবা হোৎনবদা কংগ্রেসকা লৌতুনরি হায়না ত্রিনামুল কংগ্রেসপু মরাল শিখি। মহাকা হায়-মীয়ামনা মখোয়বু দন্দি পীরকখিগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক রাজনিতিদা নুপীশিংবু হেন্না য়াওহনবগী তঙাইফদবা লৈ। নুপীশিংদা শক্তি পীনবা বি.জে.পিনা লেপ্তুনা হোৎনরি অমসুং মখোয়বু অশোয় অঙাম থোকহন্দবা হায়বসিসু বি.জে.পিগী অচেৎপা ফিরেপনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

**কন্মিসনঃ** ইলেক্সন কন্মিসননা হায়রি-লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা হৌজিক চথুরিবা মীখলশিংদা স্তেকহোল্ডরশিংনা সোসিএল মেদিয়া অমদি দিজিটেল প্লেটফোর্মশিং দায়ত্ব খঙনা অমদি অচুম চুমদা খঙনা শিজিন্নগদবনি।

ৱারোল অমদা কন্মিসন অসিনা হায়-সোসিএল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা মীয়ামদা লান্না লমজিংনবা অমদি আইননা য়াদবা এ.আইনা শেম্বা নৎত্রগা শাশিন্নবা কন্টেনশিং শিজিন্নরবদি পুং অহুমগী মনুংদা থবক লৌখৎকনি। কন্মিসন অসিনা মখা তানা হায়-মীখলগী মতমশিং লাউথোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট নৎত্রগা য়ু.আর.এল. লিশিং ১১ হেন্না মশক খঙদোকপা ঙমলে।

**কন্মিসন ঃ** নোংচুপ বঙ্গলা বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা ইলেক্সন কন্মিসন্না রাজ্য অদুগী অনৌবা ইলেক্তোরেল রোল পুথোকখ্রে। অনৌবা ইলেক্তোরেল রোল অদুদা ভোতর লাখ ৫ রোম হাপচিল্লে।

সরকারগী পাউনা হায়- ফোর্ম সিক্সকী খুথাংদা এপ্লিকেসন লাখ ৭ লোম পীখৎলকখি। মদু ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুংদা হাপচিনবা য়াবা মীংশিং হাপচিল্লে। চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ২৮ দা অরোইবা লিষ্ট থোকখিবা অদুদা ভোতর লাখ ১ লিশিং ৮৮,২০৭ হাপচিনখিবনি। মথং থাদনা অতোপ্পা মীং লাখ ৫ সু হাপচিনখি। মসিগা লোয়ননা হৌজিক রাজ্য অদুগী অপুনবা ভোতর মশিং কোতি ৬ লাখ ৮২ লিশিং ৫১,০০৮ ওইরে । মসিগী মনুংদা নুপানা কোতি ৩ লাখ ৪৯ খরা হেন্না, নুপীনা কোতি ৩ লাখ ৩৩ খরা হেন্না অদুগা ভোতর লিশিং ১,২৫৭ না থার্দ জেন্দরনি।

**উপ-রাস্ত্রপতিঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, শ্রীলঙ্কাগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা কলম্বোদা থুংখ্রে।

শ্রী রাধাকৃষ্ণননা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি -অনুরা কুমারা দিসানয়রকে

প্রসিদেন্সিয়েল সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা ৱা খন্নখি।

শ্রী রাধাকৃষ্ণননা ভারতকী য়ুমলোন্নবনা অহানবা হায়বা থৌশিল অদু নৌহৌনা নিংশিংবগা লোয়ননা নাকল অনিমকা কান্নগদবা মওংদা তেংবাং হেন্না পীননবগী ৱাফম হৌদোকখি। মখোয়না ভারতকী হাউজিং প্রোজেক্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি। শ্রী রাধাকৃষ্ণননা প্রধান মন্ত্রি-হরিনি অমারা সুরিয়া অমদি অতৈ লুচিংবা কয়াগসু উন্নগনি। তুংদা, লৈবাক অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু উন্নখি।

**ইসরোঃ** ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) গী চেয়ারমেন- ভি.নরায়নন্দনা হায়রি-নোংজ্ নুংশা অমদি ইয়ার পোলুসননচিংবগী মতাংদা থিজিনগদৌরিবা জি-টোইন্তি সেটিলাইট ২০২৭ তা থাগৎলবা য়াই।

মহাকা হায়-রোকেট অমখক শিজিন্নদুনা সেটিলাইট ১০০ হেন্না থেংজিনহনবা তৌদনা থম্বা ঙম্বা ভারতনা অহানবা লৈবাক ওইরি।

হায়দ্রবাদতা ইসরোগী দি.আর.দি.ওদগী বৈগ্যানিকশিং অমদি এরোনোটিকেল সোসাইতি ওফ ইন্দিয়াদা ৱা ঙাংবদা ডা: নরায়নন্দনা হায়-জি টোইন্তি লৈবাকশিংগীদমক জি-টোইন্তি সেটিলাইট থাগৎপদা ভারতনা মপুং ওহবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়-২০৪০ ফাওবগী মনুংদা থাদা মী থানবসু ইসরোনা হোৎনরি।

**ফুটবোল** ঃ চহি ১৫ মখাগী ১৪ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- হৈঙাং এফ.সিনা ইমা ৱাঙ্গৈইবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোহখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-পি.এফ.এ. ৱাঙ্গৈইনা ইমা ৱাঙ্গৈইবু পাঞ্জল ২-১ দা, আর.এস.সি. থোংজনা জে.জে.এফ.এ. থৌবালবু পাঞ্জল ১-০ দা অদুগা সি.ঐচ.এস.এস.ময়াং ইম্ফালনা ত্রিম্পল ই-কিয়ামগৈবু পাঞ্জল ২-১ দা

থোইখি।

**ক্রিকেট** ঃ অসাম ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা গুৱাহাতিদা চত্থরিবা চহি ১৫ মখাগী অনিশুবা নোর্থ ইষ্ট রাইজিং ক্লব-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা-অসামনা মনিপুরবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখ্রে।

**আইপিএলঃ** ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ (আই.পি.এল) মেটচতা হৌজিক পঞ্জাব কিংসকা লখনৌ সুপর জাইন্টসকা চান্দিগরদা শান্নরি।

**সুট্টিংঃ** ইজিপকী কাইরোদা ঙসিদগী হৌখিবা আই.এস.এস.এফ. জুনিয়ার সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ তা শান্নরোই ৭১ না শাবা ভারতকী টিম শরুক য়ারি।

ভারতকী টিম অসি এসিয়ান গেমস মেদালিষ্ট-শিবা নরৱাল অমসুং সোর্টগন সুট্টর-সাবিরা হরিসনা লুচিংলি।